# প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী থৌশিলনা লৈবাক্কী বেঙ্কিং সিষ্টেম মাঙ-তাকহল্লে : রাহুল গান্ধী



ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১৭ (এজেন্সি):

লৈবাক্কী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী শেনয়েক মরাং কায়না ফংদবগী রিপোর্ট পীরকখ্রবা মতুংদা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা হায়খ্রে মদুদি, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী অশোয়বা থৌশিলনা মরম ওইরগা লৈবাক্কী বেঙ্কিং সিষ্টেম মাঙ-তাকহল্লে।

শেঞ্জাও পায়বা নিরাব মোদি চেন্নবা পঞ্জাব নেসনল বেঙ্ক (পি এন বি) গী ৱাথোক পল্লদুনা কোংগ্রেস প্রসিদেন্টনা হায়খি, দাইমন্দ লল্লোনবা নিরাব মোদিনা লুপা ক্রোর ৩০,০০০ পুরগা লৈবাক থাদোক্তুনা চেনখ্রবসু প্রাইম মিনিষ্টরনা মরাল লৈবা মীওই অদু ফানবা থৌরাং অমত্তা লৌখৎলকপা লৈতে।

দিমোনেটাইজেসনবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা রাহুল গান্ধীনা হায়খি, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুপা ৫০০ চৎপী অমসুং লুপা লিশিং চৎপী চৎনহনখিদবগা লোয়নননা য়াম্লবা শেনফম অমা নিরাব মোদিদা খুৎশিন্নখি। প্রাইম মিনিষ্টর বেঙ্কিং সিষ্টেম মাঙ-তাকহনখ্রবা মতুংদা নিরাব মোদিনা বেঙ্কতগী নমথাক তৌরগা লৌথোকখিবা লুপা ক্রোর ৩০,০০০ পুদুনা অতোপ্পা লৈবাক্তা চেনখিবনি।

লুপা ৫০০ চৎপী অমসুং লুপা লিশিং চৎপী চৎনহনখিদবগী মতাংদা মীয়াম্না শেল ওন্থোক্লবা হোৎনবদা নুমীৎচুপ্পা অমা ক্যুদা লেপ্পা মথৌ তারকখি। ৱাফম অসি পার্লিয়ামেন্টতা ওপোজিসন্না পুখৎনবা থৌরাং তৌরে হায়বা খঙবদগী বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এ গভর্ণমেন্টনা হাউস অনীমক্কী মীফম মপুং ফাহন্দনবা হোৎনখি হায়নসু কোংগ্রেস প্রসিদেন্টনা মরাল শিখি।

লৈবাক অসিদা হৌজিক ওইরিবা ফীভমগী মতাংদা রাহুল গান্ধীনা হায়খি, টেলঙ্গনা, হায়দ্রবাদ, ভরানাসি, বাদোদারা, ভোপাল, পটনা অমদি দিল্লি য়াওনা লৈবাক্কী তোঙান তোঙানবা ষ্টেট অমসুং সিটিশিংদা মীয়াম্না হৌজিকসু শেনয়েক মরাং কায়না ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লুরি। হৌখিবা নুমীৎ খরনি মীয়াম্না এ টি এমশিংগী মমাঙদা লেপ্তুনা মমল য়াম্লবা মতম অরেম্বদা মাঙহনবা তাখি।

অমরোমদা, হিন্দুশিংগী মিংচৎ থিহনখিবগীদমক কোংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধী অমদি সোনিয়া গান্ধীনা লাল্লে হায়জগদবনি হায়না বি জে পিনা ফোঙদোকখ্রে।

কুমজা ২০০৭ তা হায়দ্রবাদকী মকা মসজিদতা বোম পোকখায়হনখিবগী থৌদোক্তা মপুং ওইনা চেন্নে হায়বা স্বামী অসিমানন্দ অমসুং অতোপ্পা মীওই মরি স্পেসল এন্টি টেরর কোর্ট অমনা মরাল লৈতে হায়না থাদোকখ্রবা মতুংদা বি জে পিগী ৱাফম অসি ফোঙদোরকখিবনি।

পাউগী মীফম অমদা বি জে পিগী স্পোক্স পার্সন সম্বিট পট্রানা হায়খি, কোংগ্রেসনা ইন্দিয়াবু মখোয় খক্তগীনি হায়না খনবা তারবদি সোনিয়া গান্ধী অমসুং রাহুল গান্ধীনা হিন্দুশিংদা ঈকায়বা পীখিবগীদমক লৈবাক মীয়ামদা ঙাকপীনবা হায়জগদবনি। মতম অমদা কোংগ্রেসনা লুচিংবা য়ু পি এনা সেন্টরদা লৈঙাক পায়রিঙৈদা রাহুল গান্ধীনা বি জে পি অমদি মসিগা চৎমিন্নরিবা পার্টিশিং লাস্কর-ঈ-টৌইবাদগী হেন্না তমথিবা কাঙলুপনি হায়না য়ু এস এম্বেসেদরদা ফোঙদোকখি। থৌওং অদু রাহুল অমদি গান্ধী ফেমেলিগী মীওইশিংনা হিন্দু ফুরুপকী মীওইশিংদা য়েংবা মীৎয়েং ময়েক শেংনা উৎথোকপনি হায়না বি জে পিগী স্পোক্স পার্সন সম্বিট পট্রানা পাউমীশিংদা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# ইন্দিয়ানা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী কম্মিটি ৬ কী মীখলদা মায় পাক্লে



ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১৭ (এজেন্সি):

য়ুনাইটেদ নেসন্সকী য়াম্না মরুওইবা নন-গভর্ণমেন্টেল ওর্গনাইজেসন কম্মিটি তরুক্কী মীখলদা ইন্দিয়ানা মায় পাকপা ঙল্লে।

য়ু এনগী ইকনোমিক এন্দ সোসল কাউন্সীল (ঈ সী ও এস ও সী) না ঙসি তোঙান তোঙানবা সবসিদিয়ারি বোদিশিংগী মীখল পাঙথোকখি। মীখল লোইরবা মতুংদা ইন্দিয়াগী মীহুৎ ওইনা য়ু এনদা লৈরিবা সয়িদ অকবরউদ্দিননা এজেন্সীদা হায়খি মদুদি, য়ুনাইটেদ নেসন্সকী মেম্বর লৈবাক অয়াম্বনা ইন্দিয়াবু মপুং ফানা শৌগৎলি হায়বা মীখল অসিদগী ময়েক শেংনা খঙবা ঙল্লে।

সিক্যুরিটি কাউন্সীলনা ঙসি বাহরেন, চাইনা, ইন্দিয়া অমদি পাকিষ্টানবু এসিয়া ফেসিফিক ষ্টেট কেটগরিগীদা খনখিবগা লোয়নননা ব্রাজিল, ক্যুবা, মেক্সিকো অমদি নিকারাগুৱাবুসু মথং চহীগী জান্যুৱারি ১ দগী হৌরগা চহী ৪ গী ওইনা থৌ পুনবা খনখি। ভোট ৪৬ ফংখিবা ইন্দিয়ানা ভোট মশিং খ্বাইদগী ফংবা লৈবাক ওইখি। পাকিষ্টান্না ভোট ৪৩, বাহরেননা ৪০, চাইনানা ৩৯ অমসুং ইরাননা শুপ্পগী ভোট ২৭ ফংখি।

কম্মিটি ওন নন-গভর্ণমেন্টেল ওর্গনাইজেসন হায়বসি ঈ সী ও এস ও সীগী ষ্টেন্দিং কম্মিটি অমনি। ইন্দিয়াবু কম্মিসন ওন পোপ্যুলেসন এন্দ দিভলপমেন্টকী মেম্বর ওইনসু খনখি। কম্মিসন অসি এপ্রিল ১৬ তগী মথৌ পাঙথোকপা হৌখিবগা লোয়নননা পোপ্যুলেসনগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিংদা সিক্যুরিটি কাউন্সীলগী মতেং পাংগনি হায়রি।

কাউন্সীলনা ইন্দিয়া অমদি কুয়েটপু কম্মিসন ফোর সোসল দিভলপমেন্টকী মেম্বর ওইনসু খনখি। কম্মিসন ওন ক্রাইম প্রিভেন্সন এন্দ ক্রিমিনেল জষ্টিসকী মেম্বর ১৭ খনখিবগা মনুংদা ইন্দিয়াসু য়াওরম্মী। মথং চহীগী জান্যুৱারি ১ দগী হৌরগা কুমজা ২০২১ গী দিসেম্বর ৩১ ফাওবা থৌ পুগদৌরিবা কম্মিসনগী মেম্বরশিংগী মনুংদা অলজিরিয়া, বার্কিনা ফাসো, নাইজেরিয়া, স্বাজিলেন্দ, ইরাক, ইরান, কুয়েদ, থাইলেন্দ, বেলারস, ব্রাজিল, ক্যুবা, মেক্সিকো, ওষ্ট্রিয়া, ফ্রান্স, টর্কি অমদি য়ুনাইটেদ ষ্টেটস য়াওই হায়রি।

# ঙমখৈ লানশিল্লকপগী থৌদোক ১৬০০ থোকখি

অগ্রা, এপ্রিল ১৭ (এজেন্সি):

হৌখিবা চহী ৬ কী মনুংদা টেররিষ্টশিংনা ঙমখৈ লানশিন্দুনা জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা চঙলকপগী থৌদোক ১৬০০ থোকখি হায়বা আর টি আইগী মতেংদগী খঙবা ঙমখ্রে।

হ্যুমেন রাইটস এক্টিভিষ্ট নুতন ঠাকুরনা থাখিবা আর টি আইগী পাউখুমদা কুমজা ২০১২ গী জান্যুৱারিদগী হৌরগা হৌখিবা ফেব্রুৱারি ফাওবদা টেররিষ্টশিংনা কাশ্মির তম্পাক্তা ১,৫৬৩ রক হন্না এটেক চথুরকখিবদা মীচম ১৩২ শিখি হায়রি।

হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা টেররিষ্টশিংনা ঙমখৈ লানশিল্লকপগী থৌদোক ১,৬৯৪ থোকখি। ঙমখৈ ঙাক্লিবা ইন্দিয়াগী লান্মীশিংনা টেররিষ্ট ৭৫৮ হাৎপা ঙমখি। সিক্যুরিটিগী মায়কৈদনা মীওই ৩৩৮ শিখি হায়রি।

মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়ার্সনা আর টি আইগী পাউখুম পীরদুনা হায়খি, য়ুম্লোন্নবা লৈবাক্লা মতেং পাংবা টেররিষ্টশিংনা জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা ঙাইহাক লৈতনা খুদোংথিবা থৌদোক থোকহন্দুনা লাকখি। কুমজা ২০১৭ তা টেররিষ্টশিংনা ৩৪২ রক হন্না এটেক চথুরকখিবদা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা টেররিষ্ট ২১৩ হাৎপা ঙমখি। হায়রিবা চহী অদুদা মীচম ৪০ শিখি হায়রি।

# থার্দফ্রন্ট শেম্নবগী মতাংদা মমতা, দেবে গৌদা উনখ্রবা তুংদা চন্দ্রসেখর রাওনা ওদিশাগী চীফ মিনিষ্টর নবিন পত্নাইক উনগদৌরি



ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১৭ (এজেন্সি):

টেলঙ্গনাগী চীফ মিনিষ্টর কে চন্দ্রসেখর রাওনা ওদিশগী চীফ মিনিষ্টর নবিন পত্নাইককা উনদুনা থার্দফ্রন্ট শেম্নবগী মতাংদা ৱারী শানগদৌরি।

মথং থাগী অহানবা চয়োলদা লুচিংবা অনীনা নেসনল পোলিটিক্সকী মতাংদা খন্ন-নৈনগনি হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

হৌজিক হৌজিক ওদিশাদা এসেমব্লীগী মীফম পাঙথোক্লিবা মরম্না লুচিংবা অনী মে থাগী অহানবা চয়োলদা উন্ননবা থৌরাং তৌখিবনি। লুচিংবা অনীনা থার্দ ফ্রন্ট শেম্লগা কুমজা ২০১৯ দা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলদা ভারত্তিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) অমদি কোংগ্রেস মায়থীবা পীনবা থৌরাং লৌখৎলকপা য়াই হায়না থাজনরি।

চন্দ্রসেখর রাওনা হন্দক্তা থার্দ ফ্রন্ট শেম্বগী ৱাফম পাউমীশিংদা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর ঐচ দি দেবে গৌদাগা মমাঙ চয়োলদা উনরবা মতুংদা চন্দ্রসেখর রাওনা হায়খি মদুদি, কোংগ্রেস অমসুং বি জে পিনা অশোয়বা থৌশিল কয়া লৌখৎপদগী লৈবাক মীয়াম অৱাবা মায়োক্লুরে। শাংলবা চহী ৬৫ লৈঙাক পায়দুনা লাকখিবা কোংগ্রেস অমসুং বি জে পিনা মরম ওইরগা লৈবাক মীয়াম্না খুদোংচাবা কয়ামরুম মায়োক্লুরে। অথুবা মতমদা থার্দফ্রন্ট শেমদুনা পার্টি অনী মায়থীবা পীনবা থৌরাং লৌখৎপগী তঙাইফদবা লৈরে হায়নসু রাওনা ফোঙদোকখি।

টেলঙ্গনাগী চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়খি, কুমজা ২০১৯ দা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখল মমাঙদা লৌমীশিংগী মরুওইবা থৌরাং অমা লাউথোক্লবা হোৎনরগনি। এপ্রিল ১০ দা যোগগী ওইবা রাম দেবনা রাওগী মচানুপী অমদি নিজামাবাদকী এম পি কবিতাগা উনদুনা থার্দ ফ্রন্ট শেম্বদা মতেং পাংগনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

মমাঙ থাদা চন্দ্রসেখর রাওনা হিরম অসিগী মতাংদা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিগা উনদুনা ৱারী শানখি। ৱেষ্ট বেঙ্গলগী মহাক্লা ফম মান্নবা মমতা বেনর্জিগা উনরবা মতুংদা রাওনা পাউমীশিংদা হায়খি, ৱাখল মান্নবা পোলিটিকেল পার্টিশিং পুনশিল্লগা মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক থার্দ ফ্রন্ট অমা শেম্নবা থৌরাং লৌখৎলগনি। মমতা বেনর্জিনসু ওপোজিসন পার্টি খুদিংমক অমত্তা ওইনা খুৎশম্নরগা এন দি এগী মায়োক্তা লেপমিন্নবা মতম ওইরে হায়না ফোঙদোকখি।

মতম খরগী মমাঙদগী রাওনা কুমজা ২০১৯ দা পাঙথোক্কদৌরিবা জেনরেল ইলেক্সন মমাঙদা বি জে পি অমসুং কোংগ্রেস মায়থিবা পীবা ঙমগদবা থার্দ ফ্রন্ট শেম্নবগী মতাংদা রিজনেল পার্টিশিং পুনশিন্নবা থৌরাং লৌখৎতুনা লাকখি।

মমাঙদা ওদিশাগী চীফ মিনিষ্টর নবিন পত্নাইকনা হায়খি মদুদি, লুপথরক্লবা হি অমগুল্লবা বি জে পিনা মথংগী জেনরেল ইলেক্সন্দা শোয়দনা মায়থিবা ফংলগনি। বিজু জনতা দল (বি জে দি) গী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা নবিন পত্নাইকনা হায়খি, বি জে পি অমসুং কোংগ্রেসপু মায়থিবা পীনবা তঙাইফদ্রবদি তোঙান তোঙানবা রিজনল পার্টিশিং পুনশিনবদা অকায়বা লৈতে।

নেসনল পোলিটিক্সতা মরুওইবা থৌদাং লৌরগনি হায়না লাউথোক্লদুনা টেলঙ্গনাগী চীফ মিনিষ্টর কে চন্দ্রসেখর রাওনা হায়খি মদুদি, করিগুম্বা থার্দফ্রন্ট অমা শেম্বা তারবদি পোক্লফম লমদম ওইরিবা টেলঙ্গনাবু মীরায়বা তৌরোই।

কুমজা ২০১৪ দা পাঙথোকখিবা মীখল মমাঙদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক্কী মফম শিনবা থুংনা চৎখিবগুম মথংগী জেনরেল ইলেক্সন মমাঙদা কাচিন কোয়া চৎতুনা মীয়ামগী মতেং ফংনবা থৌরাং লৌখৎকনি। কুমজা ২০১৯ দা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মতুংদসু টেলঙ্গনাগী থবক থৌরমদা মপুং ওইবা থৌদাং লৌখিগনি।

চীফ মিনিষ্টরগী ওফিসতগী থাদোরকপা ৱারোল অমনা হায়খি মদুদি, চন্দ্রসেখর রাওনা অহানবা খোঙথাং ওইনা থবক্তগী পোথারবা আই এ এস, আই পি এস, আই এফ এস অমদি আই আর এস ওফিসরশিং উনগনি।

# য়ু এসতা মাঙখিবা ইন্দিয়ান মরিমক শিরে হায়না সুস্মা স্বরাজনা ফোঙদোকখ্রে



ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১৭ (এজেন্সি):

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা ওরেগোন্দগী কেলিফোনিয়া ফাওবা চৎপগী লম্বীদা মফম খঙদনা মাঙখিবা ইন্দিয়ান মরিমক শিরে হায়বা খঙলে হায়না এক্সটর্নেল এফিয়ার্স মিনিষ্টর সুস্মা স্বরাজনা ফোঙদোকখ্রে।

সন্দিপ থোট্টাপিল্লি অমসুং মহাক্কী ইমুং মনুংগী মীওইশিং লৈখিদবগী মতাংদা এক্সটর্নেল এফিয়ার্স মিনিষ্টর সুস্মা স্বরাজনা অৱাবা ফোঙদোকপগী ৱারোল অমা ত্বিটরদা থাদোরকখি। মহাক্না হায়খি, লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী মরী-মতা পুম্নমক য়ু এসতা চৎনবগী মতাংদা ভিজা লৌবদা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা অঙম্বা থাক্তা মতেং পাংবা হোৎনরি।

সন্দিপ থোট্টাপিল্লি, সোমিয়া অমদি মখোয়গী মচা অনীগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং কেলিফোনিয়াগী ইল তুরেলদগী ফংখিবনি। মমাঙদা সন্দিপ থোট্টাপিল্লি অমসুং চহী ৯ খক্তা ঙাইরিবী মচানুপী অমগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং ফংলে হায়না রিপোর্ট অমা ফোঙদোকখিবনি।

কেলিফোনিয়াগী মেন্দোসিদো কাউন্টিগী সেরিফনা হায়খি মদুদি, অয়ুক পুং ১১.৩০ তাবদা হি তোংদুনা চৎপা মীওই কাঙবু অমনা গেসোলিন মনম নম্লকপদগী মখা তানা থিজিন-হুমজিনবদা ইন্দিয়ান মরিগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং ফংবা ঙমখিবনি।

সেন জোস পুলিস দিপার্টমেন্টকী রিপোর্ট অমনা হায়খি, থোট্টাপিল্লি অমসুং মহাক্কী ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা মমান্নবা অমা উনবা চৎপগী লম্বীদা খুদোংথিবা নংবদগী মখোয়না থৌরকপা গাড়ী অদু ইল তুরেলদা তাশিনখিবনি। অমরোমদা, ইন্দিয়াগী মহৈরোয় অমা ভিজা পায়না পায়না জোর্জিয়াদা চঙহনখিদবগী মতাংদা এক্সটর্নেল এফিয়ার্স মিনিষ্টর সুস্মা স্বরাজনা জোর্জিয়াগী মহাক্লা ফম মান্নবা মিখেল জেনিলিজগা ৱারী শানখ্রে।

# পার্লিয়ামেন্টরি কম্মিটিনা অর্জিট পটেল কৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১৭ (এজেন্সি):

হৌখিবা থা খরগী মনুংদা থোকখিবা বেঙ্ককী ৱাথোক্লা মরী লৈননা ৱাহং খরগী পাউখুম পীনবা রিজার্ব বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া (আর বি আই) গী গভর্ণর অর্জিট পটেলবু পার্লিয়ামেন্টরি কম্মিটি অমনা কৌখ্রে।

কোংগ্রেস লুচিংবা এম বিরাপা মোইলিনা লুচিংবা ষ্টেন্দিং কম্মিটি ওন ফাইনান্সনা বেঙ্কিং সেক্টর অমদি ফাইন্সিয়েল সার্ভিসতা তোঙান তোঙানবা ৱাথোক কয়া থোরকপগী মতাংদা মরুওইবা ৱাহং খরা হংনবগীদমক আর বি আইগী গভর্ণরবু কৌখিবনি। হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর মনমোহোন সিংহসু কম্মিটিগী মেম্বর ওইরি।

পটেলনা হন্দক্তা হায়খিবনি মদুদি, পব্লিক সেক্তর বেঙ্কশিংদা আর বি আইনা কা হেনবা মওংদা খুৎ থিংজিনবা ঙমদে। পার্লিয়ামেন্টরি কম্মিটিগী মীফমদা পঞ্জাব নেসনল বেঙ্ক অমসুং আই সী আই সী আই বেঙ্ককী ৱাথোক্লা মরী লৈনবা ৱাফম খন্নখিবরা হায়না হংখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা কম্মিটিগী সোর্স অমনা এজেন্সীদা হায়খি মদুদি, বেঙ্কতগী নমথাক তৌরগা য়াম্লবা শেনফম অমা লৌথোকখিবগী মতাংদা কম্মিটিগী মীফম্না কুপ্পা খন্নখি।

চৈরকসিদা, ইন্দিয়ানা হোংকোংগী ওথোরিটিশিংদা নিরাব মোদি ফাবীনবা হায়জখিবগী পাউখুম পীরকপা ঙাইরি। ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী ওফিসল অমনা হায়খি, নিরাব মোদি ফাবীনবা হোংকোংগী ওথোরিটি-শিংদা হায়জখ্রবসু পাউখুম পীরক্ত্রি।

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, NAMBOL

*Ref:- Mut. Case No. 416/SDC/NBL of 2018*

Arambam (O) Thoppi Devi W/o (L) A. Bhagya Singh of Kabowakching.
...... *Petitioner*

-Vrs-

(L) Arambam Raghumani Singh S/o (L) Bhagya Singh of Kabowakching.
...... *Pattadar*

ꯅꯣꯇꯤꯁ/**NOTICE**

Dt. 17/04/2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি ভিলেজ নং ২৪-বলরাম খুল পাট্টা নং ১৮৩ (অরিবা), ২৬৬ (অনৌবা) দাগ নং ৩৭৯ এরিয়া ২.৫০ একরস ওফ অঙনফৌ ক্লাস হায়রিবা লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃতু পাট্টাদারগী মমীং কল্লগা দংকারিনা মাগী মমীংদা লৌফম নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা (ওবজেক্সন) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী নিয়ম মতুং ইন্না কেশ মখা চৎথখ্রগনি।

Sd/- **S. Dhiren Singh**
***Sub-Deputy Collector, Nambol***

*HL-P/1046/18*

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR; IMPHAL WEST, PATSOI

*Ref:- Mut. Case No. 375/SDC/IW(P) of 2018*

1. Chingangbam Ibechaobi Devi W/o (L) Konjengbam Kuber Singh of Sagolband Heinoupok.
... *Petitioner*

-Vrs-

1. Konjengbam Gopal Singh S/o (L) Kangoi Singh of Tera Loukrakpam Leikai.
2. –do - Kunjabihari Meitei S/o (L) –do– of –do–.
3. Late Konjengbam Kuber Meitei S/o (L) –do– of –do–.
... *Opposite Parties*

ꯅꯣꯇꯤꯁ/**NOTICE**

Dt. 17/04/2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি ই: ও: তহশিলগী খুল নম্বর ৯৪ - লাংজিংগী অরিবা পাট্টা নম্বর ৭৮, অনৌবা ৫৬/৭৯৬ কী দাগ নম্বর ১৮৯/১০৪৬ কী পোইন্ট ০.৩৭ একর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী কো-পাট্টাদার নং ৩ (অহুম) অসি মৃত ওইখিবা মরম্না, মথক্তা পল্লিবা দংকারি অসিনা লৈখিদ্রবা মপুরোইবগী শরুক্তা মমীং/নামা পানবীয়ু হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মসিদা মৃত পাট্টাদারগা মরী লৈনবা, মচা মশু, শাগৈ নাতৈ কনাগুম্বনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ২৬/০৪/২০১৮ ইংগী অয়ুক পুং ১১:০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌররোই অমসুং আইনগী মতুং ইন্না কোর্টকী হুকুম মখা চত্থগনি।

Sd/- **Kherdananda P.**
Sub-Deputy Collector, Imphal West, Patsoi

*HL-P/1047/18*

IN THE COURT OF THE CIVIL JUDGE SENIOR DIVISION, IMPHAL EAST

ORIGINAL (M) SUIT No. 53 of 2018

**Usham Roma Devi**
... *Plaintiff*

–Versus–

**Haobijam Joy Singh**
... *Defendant*

SUBSTITUTED SERVICE OF SUMMONS

To,

**Haobijam Joy Singh, aged about 31 years, S/o H. Chonjon of Kongpal Ningthoubung Leikai, P.O. & P.S. Porompat, Imphal East District, Manipur.**

Whereas, the above named plaintiff has instituted a suit for recovery of a sum of Rs. 74,000/- (Rupees Seventy Four Thousand) only under Order 7 Rule 2 of Code of Civil Procedure, 1908 against you. And you were summoned to appear before the Hon'ble Court but you refused to received/acknowledge the summons. Now the Hon'ble Court apprehends that you will refused/avoid the summons by one way or otherwise hence, this summons/notice is given to you by way of substituted service. You are hereby directed to appear before the Hon'ble court in person or by a pleader duly instructed and able to answer all materials questions relating the suit of the plaintiff on 21/04/2018 at 10.30 a.m. and you are hereby directed to file on that day a written statement and documents if any of your defence to answer the suit of the Plaintiff.

Take notice that in default of your appearance the case will be heard and determine in your absence.

Sealed and signed by the order of the Court, this 17th day of April, 2018.

**SEAL :**
By:-
Advocate

*Sd/-* **Y. Somorjit Singh**
Civil Judge Senior Division:
Imphal East, Manipur

*HL-P/1045/18*

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, LILONG CHAJING, IMPHAL WEST

*Ref:- Mut. Case No. 170/SDC/IW/LC of 2018*

Ningombam Ningol Tekcham (O) Bijayanti Devi W/o (L) Tekcham Dwijen Singh of Heirangoithong Makha Keibung Oinam Leikai.
...... *Petitioner*

-Vrs-

(Late) Tekcham Dwijen Singh S/o (L) T. Shyamkishor Singh of Keibung Oinam Leikai.
...... *O.P.P.*

ꯅꯣꯇꯤꯁ/**NOTICE**

Lilong Chajing, the 17th April 2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি এস: দি: সী: লিলোং চজিংগী মখাদা লৈবা খুল নং ৬৫-ওইনাম লৈকাইগী অরিবা পাট্টা নং ৬৭ অনৌবা পাট্টা নং ১৭২/২৭৯, দাগ নং ১৪/৩৯২ এরিয়া ০.৬২০০ একর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার তেকচম দ্বিজেন সিংহ পী: মৃ: টি শ্যামকেশ্বর সিংহ সাং কৈবুং ওইনাম লৈকাই অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃ: পাট্টাদারগী মমিংদা পাল্লম্বা ফৌরেল লৌফম অসি মথক্তা পল্লিবা পেটিস্নরগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অসিনা হায়রিবা লৌফম অসিগী মরীদা আপতি তৌবিনিংবা মীওইশিংনা "নোটিশ" অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা মশানা লাকপীদুনা অইবা চেনা অপতি তৌরদ্রগদি কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেশ মখা চথজরনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ অমত্তা কোর্ট অসিনা লৌজরোই।

Sd/- **Ak. Lalmohon Singh**
***Sub-Deputy Collector,***
Lilong Chajing, Imphal West

*HL-P/1044/18*

ADMISSION OPEN

ENGLISH COACHING

*For*

- SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
- BOARD EXAMS (IX, X, XI & XII)

*At*

SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)

Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal

Contact Nos. ☎ 8974642764

*HL-B/4545/25/3-25/4*

F.No. 3/59/2017-WL(Pt-II)/10

**Government of Manipur**

**Office of the Principal Chief Conservator of Forests (Wildlife) Forest Department: Manipur**

**PRESS RELEASE**

Imphal, the 11th April, 2018

***Subject:*** **Ban on Airguns, Catapult, Battery-operated fishing nets, Birds traps/ Nets, etc. to protect and conserve Wildlife-Reg.**

Management of Wildlife and Biodiversity is the direct responsibility of the State Government. Article 48-A of the Indian Constitution states that the State shall endeavour to protect and improve the environment and to safeguard the forest and wildlife of the Country. The Constitution under Article 51 A(g) makes environmental protection a fundamental duty of every Indian Citizen. As per the 42nd Amendment of the Constitution, the State Government shall be responsible for protection and improvement of the environment besides safe-guarding the forest and wildlife of the State. India is the land of the Buddha and the Mahatma Gandhi universally known for their contribution to non-violence. However, in practice, Wildlife is being decimated due to merciless hunting leading to extinction of many flora and fauna; many important species of both animal and plant kingdoms are on the verge of extinction. The need of the hour therefore is focussed attention to protect and conserve wildlife in order to maintain the essential ecological security and environmental security of the State.

Considering the importance of wildlife, the Wildlife (Protection) Act, 1972 was enacted for providing legal protection to our wildlife with a view to ensure the ecological balance and environmental security of the country. This Act under the definition of **"Weapon"** bans the use of Airgun, catapult, all kinds of nets snare and traps for harming or injuring or killing the Wildlife. Further, this act also prohibits hunting and prescribed stringent penal actions when provisions of this Act are breached or violated.

Awareness campaigns among villagers, school & colleges students, seizing of airguns/ catapults, etc. are some of the steps taken up in this regard by the Wildlife Wing of the Forest Department, Manipur. However, these efforts will only be fruitful when these constitutional provisions are supported by the Slate with active participation of people in Wildlife Conservation activities. Therefore this is to appeal to all concerned to come unitedly forward against the use of **Airguns, Catapult, Battery-operated fishing nets, snare Birds traps/ Nets, etc.** to harm or injure or kill the Wildlife and also to support the initiatives taken by Government of Manipur to conserve wildlife & biodiversity to maintain its rich wild flora and fauna for the development and welfare of the people in the State.

*Sd/-* **D.J.N. ANAND**
Principal Chief Conservator of Forests (Wildlife)
cum Chief Wildlife Warden
Government of Manipur

*HL-B/4575/18* **No.2/33/2017-DIPR**